বাইদেননা মায় পাকপদা মালেমগী লুচিংবশিংনা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোক্লখ্রে, খরনা ত্রম্পনা মায়থীবদা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : যুনাইটেদ ষ্টেটসকী হন্দক পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টকী ইলেক্সন্দা দেমোক্রেটিক নোমিনি জো বাইদেননা মায় পাকখিবদা মালেমগী লুচিংবা কয়ানা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মীখল অসিদা মায়থীবা নংখিবদসু লুচিংবা খরনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ত্রম্প মশানদি মীখল অসিদা মায়থীবগী ৱাফম য়াজদ্রবসু এজেন্সী কয়ানা বাইদেননা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা মালেমগী লুচিংবা কয়ানা প্রসিদেন্ট খল্লবা বাইদেনদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লরকখিবনি।

মীখলদা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইরগদবা বাইদেন অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা কমলা হেরিসতা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্ল রকখিবশিংগী মনুংদা যু এসকী মীচংশিং ওইরিবা যু কে, ফ্রান্স, জর্মনি, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং য়ুক্রেন্নচিংবা য়াওরি। কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ত্রুদোনা মহাক বাইদেন, হেরিস অমদি লাক্কদৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেসনগা থবক তৌমিন্ননবা খৌরাংনা ঙাইরি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুমথংনবগা লোয়ননা লম-তুগী ফীভমশিং মান্নবা, অনীংবা-অপান্বশিং মান্নবা, ঐখোয়গী মীয়ামগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনবগা লোয়ননা শেল থুমগী অচেৎপা মরী লৈনবা অসিনা ঐখোয়বু নকশিন্নবা মরুপ মপাংশিং, পার্টনরশিং অমসুং মীচংশিং ওইহল্লি হায়না ত্রুদোনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

কমলা হেরিসনা যু এসকী পোলিটিকেল হিষ্ট্রিদা রেকোর্দ ওইহৌরগদবা মওংদা মীখলদা মায় পাক্তুনা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনবা অহানবা নুপী ওইবা ঙস্বগীদমক্তা জর্মনিগী চান্সেল্লর এঞ্জেলা মর্কেলনা থাগৎখি। মহাক্না জর্মনি অমসুং যুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরীবুসু থাগৎখি। ঐখোয় মতমগী অচৌবা শিংনবশিং লাকশিন্নবগীদমক্তা ঐখোয়গী ট্রান্সএলান্টিক ফ্রেন্দসিপ অসি থুগাইবা য়াদে হায়না মর্কেলনা ফোঙদোকখি।

ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুল মেক্রোন্না ত্বিট অমদা অমেরিকানশিংনা মখোয়গী প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট খনখ্রে, মায় পাক্লবা জো বাইদেন অমসুং কমলা হেরিসতা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকচরি হায়না ইখি।

ত্রম্পকী কুমজা ২০১৭কী ফ্রান্সকী খোঙচৎ অমগী মনুংদা মেক্রোন্না মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা য়ানবগী মরী অমা শাগৎনবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং লুচিংবা অনী অসি পেরিস ক্লাইমেট একোর্দ অমসুং ইরান ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা উনবা য়াখিদে। য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেনস্কিনা ত্বিটরগী ৱারোল অমদা মহাক্কী লৈবাক্না বাইদেনগী লিচিং মখাদা যুনাইটেদ ষ্টেটসকা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ হেন্না চেংশিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটেনবর্গনসু বাইদেনবু থাগৎলদুনা মহাক এলাইএন্স অসিগী অচেৎপা সপোর্টর অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

যু এস মীখলগী রিজল্ট অসিগী মতাংদা ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা হায়খি, ইরানগী মীয়াম্না ত্রম্পকী মখাদা অমেরিকান ইকোনোমিক টেররিজম মায়োক্লখি। হৌজিক্তি যু এসনা অরানবা খোঙথাংশিং হন্দোক্তুনা মশানা থাজবা পীখিবা ৱাফমশিং ঙাকপগী মতম ওইরে।

অমরোমদা, ত্রম্পনা মীখলদা মায় পাকপা ঙমখিদবা অসিদা পলিষ্টিনিয়ন লিদর খরনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে। অমেরিকাগী মীয়াম্না ত্রম্পপু চিংথুখিবা অসিনা মালেম পুম্নগী অৱাবা খরমখৈ কোকহল্লগনি হায়না পলিষ্টিনিয়ন ওফিসল অমনা হায়খি।

গজাদা মিলিটেন্ট গ্রুপ হামাসকী পোলিটিকেল লিদর ইসমাইল হনিয়েহনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনবু পলিষ্টিনিয়ন নেসনল রাইটশিং খোঙ্গাওনবা মওংদা ইজরেলি ওক্যুপেসন শৌগৎপগীদমক্তা খ্বাইদগী কা হেনবা তৌই হায়না মরাল শীখি।

ঐখোয়গী পি এম নরেন্দ্র মোদিনা প্রসিদেন্ট ইলেক্ট জো বিদেনবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মতম অমদা হান্নগী প্রসিদেন্ট ওবামাগী মখাদা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা ইন্দিয়া-যু এসকী মরীদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশকনি হায়নসু শিংথাখি। ভাইস প্রসিদেন্ট ইলেক্ট কমলা হেরিসকী মমাসি ইন্দিয়ন ওইবা মরম্না মহাক্না অসিগুম্বা ফম পায়রকপসিদা ইন্দিয়ন-অমেরিকানশিংগী য়াম্না চাওথোকনীংঙাইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মোদিনা মখা তানা ত্বিটরদা হায়খি, মহাক্কী মতেং অমসুং লিচিং মখাদা ইন্দিয়া-যু এসকী মরী হেন্না ফগৎলগনি।

কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর সেল্ফ-ক্বারন্টিন তৌখ্রে, ৩৭শুবা অসিঅন সম্মিট য়াওররোই

নোম পেন, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী): কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেন সেল্ফ-ক্বারন্টিন তৌখিবনা মরম ওইদুনা লাক্লিবা এসোসিএসন ওফ সাউথইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন) গী ৩৭শুবা সম্মিট অমসুং মরী লৈনবা মীটিংশিংদা শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা নেসনল সেফটি রেগুলেসনগী মতুংইন্না মখোয়না তঙাইফদনা নুমিৎ ১৪নি সেল্ফ-আইসোলেসন তৌখিবা অসিনা মরম ওইদুনা রিজনেল ব্লোক অসিগী মরু ওইবা ফঙ্কসনশিং অসিদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবা অসিগীদমক্তা প্রাইম মিনিষ্টর হুন সেন অমসুং দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর প্রাক সোখোননা মখোয়গী লেংমান্নবশিংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি মদুদি, ইকনোমি এন্দ ফাইনান্সকী মিনিষ্টরসু ওইরিবা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অউন পোর্নমোনিরোথনা সম্মিট অদুগা লোয়ননা মরী লৈনবা মীটিংশিংদা হুন সেনগী মহুত্তা কম্বোদিয়া রিপ্রজেন্ট তৌরগনি। অসিঅন সম্মিট অমসুং মরী লৈনবা মীটিংশিং অদু নবেম্বর ১২দগী ১৫ ফাওবা ভিদিও কনফরেন্সকী খুৎথাংদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

হুন সেন অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী ওফিসল খরা নবেম্বর ৪দগী মখোয় মখোয়গী ময়ুমশিংদা নুমিৎ ১৪নিগী হোম ক্বারন্টিন চংথরকখি। এসিয়াগী খোঙচৎ অমদা হঙ্গেরিগী ফোরেন এফেয়র্স এন্দ ত্রেদকী মিনিষ্টর পিটর সজিজার্টোনা কম্বোদিয়াদগী থাইলেন্দদা থুংলবা মতুংদা হৌনবী মতুংইন্না টেষ্ট তৌরুবদা পোজিটিভ ওইরম্বদগী মখোয় হোম ক্বারন্টিন তৌখিবনি।

কম্বোদিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ (এম ও ঐচ) না থাংজ নুমিৎতা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি হৌজিক ফাওবদা সজিজার্টোগা হকথেংননা অমসুং নাকোয়ননা শম্নখিবা মীওই ৮৮৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরম্লে। অদুম ওইনমক মখোয় নেসনল সেফটি লেগুলেসনগী মতুংইন্না মশাদা ভাইরস ফ্রী ওইনবগীদমক্তা মখোয় তঙাইফদনা ময়ুম ময়ুমদা নুমিৎ ১৪নি সেল্ফ-ক্বারন্টিন তৌবা চঙই। ক্বারন্টিন মনুংদা মখোয় নবেম্বর ৯, ১৪ অমসুং ১৮দা অহেনবা টেষ্ট অহুম অমগা তৌগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

হুন সেননা হায়খি মদুদি মহাক অমসুং মহাক্কী লোয়নবী বুন রেনি, মখোয়গী বোদিগার্দশিং অমসুং সোফরশিং পুন্না মীওই ১৮ অহানবগী টেষ্ট পাঙথোকপদা নেগেটিভ ওইরমখি। এম ও ঐচকী গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না মখোয় অহেনবা টেষ্ট অহুম পাঙথোকখিগদবা লৈরি।

করাবাখকী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি পায়শিল্লে হায়না অজরবাইজাননা ক্লেম তৌখ্রে

বাকু, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী): অজরবাইজানগী ফোর্সশিংনা নাগোর্নো-করাবাখকী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি সুশা পায়শিল্লে হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ইলহাম অলিয়েভনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাউথোখিবা মতুংদা অজেরিশিংনা কেপিটেল বাকুগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখ্রে। তৌইগুম্বসুং অর্মেনিয়ন ওফিসলশিংনা সিটি অদুবু অজেরি ফোর্সশিংনা খুদুম চল্লে হায়বা ৱাফম অসি য়াখিদ্রে।

অর্মেনিয়নশিংনা সুশি কৌবা সুশা হায়রিবা সিটি অসি নাকল অনীমক্কী ওইনা কলচর অমসুং ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইবা তৎনবা য়াদবা মফমনি। সিটি অসি চীংগী এনক্লেভ অদুগী খ্বাইদগী চাউবা সিটি ওইরিবা ষ্টেপানার্কর্টকী খারোমদা কিলোমিটর ১৫ লাপ্লা লৈ।

মালেম্না অজরবাইজানগী শরুকনি হায়না শকখঙবা অমসুং ইথনিক অর্মেনিয়নশিংনা কন্ট্রোল তৌবা চীংগী এনক্লেভ নাগোর্নো-করাবাখ অমসুং অকোইবদা চয়োল তরুকলোম চুপ্পা শোক্লরকখিবা লান্দা য়ামদ্রবদা মীওই ১০০০ রোম শিখ্রে।

বাকুগী ক্রুপশিংনা সুশা সিটি পায়শিনখিবগী মতাংদা অলিয়েভনা হায়খি, নুমিৎ অসি অজরবাইজানগী পুৱারীদা অচৌবা নুমিৎ অমা ওইরগনি। বাকু সিটিদা অজেরিশিংনা মফম কয়াদা মশীং য়াম্না পুন্দুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি। মখোয়না ফিরাল হাইখি অমসুং খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। কার তোংবশিংনসু হোর্ন খোংদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নাগোর্নো-করাবাখ রিজন অমসুং অর্মেনিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা অলিয়েভকী ৱাফম অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

নার্গোনো-করাবাখ রেস্ক্যু সর্ভিসনা ফোঙদোকখিবদা, অজরবাইজান্না সুশিবু খুদুম চনবা হায়বসি মঙফাওনররোইদবা মঙনি। ফন্না য়াম্না মাঙ তাক্লবসু লানবনগী সিটি অসিনা য়েক্লবগী শাফুশিং খাংবা ঙমই।

ষ্ট্রেটেজিক মফম অদুগীদমক্তা লান কন্না শোক্লরি হায়না অর্মেনিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। নার্গোনো-করাবাখকী দিফেন্স আর্মিনসু টাউন অদুদা অজেরি ফোর্সশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা মখোয়না হন্দোকহনখি হায়না ফোঙদোকখি।

চহী ২৫গী মনুংদা সাউথ কোকসসতা থোক্লিবা খ্বাইদগী শাথীবা লান অসিদা টর্কিগী মতেং ফংবদগী অজরবাইজাননা ঙম্লপ চৎপগুম উরি।

এল ও সী মনাক্তা কাপ্নবদা লান্মী ৩, ক্রুপর ১, মিলিটেন্ট ৩ শিরে

শ্রীনগর, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না এল ও সী মনাক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী অচৌবা থৌদোক অমদা ইন্দিয়ন আর্মিগী লান্মী অহুম অমসুং বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী ক্রুপর অমা শিখ্রে। অমরোমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু টেররিষ্ট অহুম হাৎখ্রে হায়রি।

আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা বোর্দর ৱাংমদগী লোন্না চঙশিল্লরুবা হোৎনখিবশিংগী থবক মায় পাকহন্দনবা হোৎনখিবদা নাকল অনীগী মরক্তা কাপ্নখিবনি। টেররিষ্টশিং অদু থাংজ নুমিৎকী অহিংদা মচিল সেক্টরদা লোন্না চঙশিল্লকখি। মখোয়বু তকথোক্লবগী ওপরেসন লেপ্তুনা চৎথরি হায়না আর্মিনা ফোঙদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা আর্মিনা হায়খি মদুদি থাংজ নুমিৎকী অহিংদা বি এস এফকী পেট্রোল পার্টি অমনা এল ও সীদগী কিলোমিটর ৩.৫ রোম লাপ্পা মচিল সেক্টরগী মনুং চনবা এল ও সী ফেন্সকী এন্টি-ইনফিলত্রেসন ওবষ্টেকল সিষ্টম (এ আই ও এস) কী মনাক্তা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চৎথোক চৎশিন তৌবা উখি।

মতুং তারকপদা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখি। মদুদা টেররিষ্ট অমা হাৎখি। বি এস এফকী লান্মী অমসু শিখি। নোংমৈ কাপ্নবদু অয়ূক্কী পুং ৪দা লেপখি। অহেনবা ক্রুপশিং মফম অদুদা চঙশিনখি। সর্ভিলেন্স দিভাইসশিংনা টেররিষ্টশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিং ত্রেকিং তৌখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

অয়ূক পুং ১০.২০ লোম তাবা মতমদা টেররিষ্টশিংগী এক্টিভিটিশিং কনখৎলকখিবগা লোয়ননা মখোয়না এল ওসীদগী কিলোমিটর ১.৫ লোম লাপ্পা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সার্চ পার্টিশিংদা নোংমৈ হান্না কাপশিল্লকখি। মতুং তারকপা নাকল অনীগী নোংমৈগী লান্দা টেররিষ্ট অনী হাৎখি, লান্মী অহুম শিখি অমসুং অতৈ অনীনা অশোক অপন নংখি। অশোকপা লান্মীশিংদু মফম অদুদগী পুথোকখ্রে অমসুং ওপরেসন মখা চৎথরি হায়না আর্মিনা ফোঙদোকখি।

বাইদেন-হেরিসনা মায় পাক্লকপগী মায়োক্তা ত্রম্প শৌগৎপশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী) : দেমোক্রেটিক নোমিনি জো বাইদেন অমসুং মহাক্কী রন্নিং মেট কমলা হেরিসনা যু এস প্রসিদেন্টকী মীখলদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোরকখিবা মতুংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প শৌগৎপশিংনা লম্বীদা থোক্তুনা মীখলগী রিজল্টশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

বেলোট মশীং থিবদা তপ্পদগী নুমিৎ মরিনি চুপ্পা ৱানা ঙাইনরক্লবা মতুংদা মশাগী চহী ৭৭শুরবা বাইদেন্না মহাক্কী লম্বাদগী ভোট মশীং খঙহেন হেল্লক্তুনা প্রসিদেন্ট ত্রম্পপু মায়থীবা পীখি।

চহী ১৬০গী মতম অদুৱাইদা অব্রহম লিঙ্কনবু যু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি।

লোকলগী মতমদা থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা এন বি সী, বি বি সী অমসুং ৱাশিংটন পোষ্টনা পেনসিলভেনিয়াদা বাইদেন্না মায় পাক্লে হায়না লাউথোরকপদগী দেমোক্রেটিক কেন্দিদেট অসিনা মায় পাক্লে হায়বসি য়ানখি।

বাইদেন্না মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখিবা মতুং মতম ইশাং-শাংনা কান্নদনা প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী সপোর্টরশিংনা জের্জিয়াগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা রিজল্ট অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি। মতমদুদা মিচিগান অমসুং ৱিস্কোন্সিনদসু বাইদেন্না মায় পাকখি নৎত্রগা মহাক্না ভোটকী টেলিদা মাঙজিল থাখি হায়না হিল ন্যুজ ৱেবসাইটকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

এটলন্টাদা লৈবা জোর্জিয়া ষ্টেটকী কেপিটোলগী মমাঙদা য়ামদ্রবদা দেমোন্সত্রেটর ২০০ রোম পুনখি। মখোয়গী মনুংদা খরনা মহৌশানা রিপব্লিকান পার্টি শৌগৎতুনা লাকপা জোর্জিয়া ব্লু ষ্টেট অমা নত্তে হায়না লাউখি। পেনসিলভেনিয়াগী হরিসবর্গ সিটিদসু প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোকখি। ত্রম্প শৌগৎপশিংনা ভোট হুবগী থবক লেপ্পু হায়না লাউখি।

ৱিস্কোন্সিন, মাদিসন্দসু দেমোন্সত্রেটরশিংনা মীখলগী রিজল্ট অদুবু প্রোটেষ্ট তৌখি। চৈরকসিদা ওরেগোনগী সলেমদা লৈবা ওরেগোন ষ্টেট কেপিটেলগী মপান্দা প্রোটেষ্টর চা কয়ানা বাইদেন্না মায় পাকপগী রিজল্ট অদুবু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

মিচিগানগী লাণ্ডিংদা ত্রম্পনা মায়থীরে হায়বসি থাজদবা প্রোটেষ্টরশিংনা মহাক্কীদমক্তা পুন্না লাই খুরুমখি। প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মীখলদা মহাক মায়থীরে হায়বসি য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা ত্বিট অমদা হায়খি-ওবজার্ভরশিং ভোট মশীং থিফম কাশিংদা চঙবা য়াহনখিদে, লিগেল ভোট ৭১,০০০,০০০ ফংদুনা ঐহাক্না মায় পাক্লে। ঐখোয়গী ওবজার্ভরশিংবু ভোট মশীং থিফমদা চঙবা য়াহন্দবা অসি মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রি অদুবু হন্দক্কী অসিদদি থোক্লে।

অর্নাব গোশ্বামি অলিবোগ স্কুলদগী মুম্বাইগী টালোজা সেন্ত্রেল জেলদা পুখ্রে

মুম্বাই, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী): মতম খরগী ওইনা অলিবোগকী স্কুল অমদা থম্লকখিবা রিপব্লিক টি ভিগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং চীফ এদিটর অর্নাব গোশ্বামি নোংমাইজিং নুমিৎতা রাইগাদ পুলিসনা মুম্বাইগী টালোজা সেন্ত্রেল জেলদা পুখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নবেম্বর ৪দা ফাখিবদগী গোশ্বামিবু স্কুল অমদা থম্লকখি। স্কুল অদু প্রিজনরশিংগী কোভিদ-১৯ আইসোলেসন সেন্টর অমা ওইবনা মহাকপু মফম অদুদা থম্লকখিবনি। মহাক অলিবোগ কোর্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট সুনাইনা পিংলেনা নবেম্বর ১৮ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

অর্নাব জেলদা পুবগী খোঙথাং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবী সম্যাব্রতা রে গোশ্বামিনা ক্লেম তৌখি মদুদি, মহারাষ্ট্র পুলিসনা মহাক্কী মপুরোয়ববু ঙসি অয়ূক স্কুল অদুদগী চিংথোক্লগা পুলিসকী অমুবা ভান অমদা টালোজা জেলদা পুখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মহাক্কী মপুরোয়বনা মহাক্কী পুন্সি খুদোংথিনীংঙাই ওইরে হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়খি। মহাক্না উকিল উনগে নৎত্রগা পাউ ফাওনগে হায়রুবদা জেলরনা মহাকপু মশাদা পায়দুনা ইনবা-চিংবা তৌখি। মহাক্না হায়জখিবশিং থম্মোয় শোক্লীংঙাই ওইবা মওংদা য়াখিদে।

অর্নাবকী পুন্সিদা অকিবা পীরে অমসুং কষ্টদিদা মহাকপু ওৎপা-নৈবা তৌরে হায়না মশানা ইফোং ফোংনা ফোঙদোকচখ্রবা মতুং অসিদা করিগুম্বা মঙোন্দা থোকহন্নীংদবা অশোয়-অঙাম অমা থোক্লকপা তারবদি মদুগী থৌদাং লো এন্দ ওর্দরগী ওফিসরশিং অমসুং ষ্টেট অমদি নেসনল মেছিনরি অপুনবগী ওইগদবনি হায়না সম্যাব্রতনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ৱার্নিং তৌখি।

ওপোজিসন ভারতিয়া জনতা পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কিরিত সোমাইয়ানা জেল অদুদা চঙশিনখি অমসুং মফম অদুদা গোশ্বামিবু নিংথিনা শেন্নবীনবা অমসুং সিক্যুরিটি ঙাকহন্নবা দিমান্দ তৌখি।

জেলরনা ঐঙোন্দা জেলদা গোশ্বামিবু হরাসমেন্ট পীরোই অমসুং তঙাইফরক্তরুবদি মেদিকেল ট্রিটমেন্ট পীগনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়না সোমাইয়ানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অর্নাব গোশ্বামি কুমজা ২০১৮গী মে ৫দা অলিবোগতা থোকখিবা আর্কিটেক অনভে নাইক অমসুং মহাক্কী মমা কুমুদ নাইক অনীনা শিজখিবগী কেসকা মরী লৈনেনা য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা মুম্বাই পুলিস অমসুং রাইগাদ পুলিসকী টিম অমনা ফাখিবনি।

বোর্দর ইস্যুশিংগী মতাংদা এম ঐচ এগা তাননবা ত্রিপুরাগী সী এমনা মিজোরামদা হায়জখ্রে

অগরটালা, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী): ফুলদাংসৈ ভিলেজ ত্রিপুরাগী শরুকনি হায়বসিদা চিংনবা লৈরবদি য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ) কা তানবীয়ু হায়না ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপলাব কুমার দেবনা মিজোরামগী মহাক্কী লেংমান্নবদা হায়খ্রে।

ষ্টেট অনীগী বোর্দরগী অকক্লবা মফম অমগী মতাংদা কনাগুম্বশিংনা ওবজেক্সন লৈরবদি চিংনরিবা মীওই নৎত্রগা ষ্টেট অদুনা এম ঐচ এদা চৎতুনা মফম অদুগী জিওগ্রাফিকেল মেপ চেক তৌথোক্কদবনি। মরম অদুনা ফুলদাংসৈ ভিলেজগী ইস্যু অসি এম ঐচ এদা হংবা নৎত্রগা তাননবা হেন্না ফগনি হায়না থাংজ নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর দেবনা অগরটালাদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী মনুংদা লমগী মতাংদা য়েৎনবা তৌরাইদবনি। ফেদরেল ষ্ট্রকচরগী মখাদা এম ঐচ এনা অকক্লবা লম অমগী জিওগ্রাফিকেল এরিয়া চেক তৌনবগী মতিক চাবা ওথোরিটিনি। মতিক চাবা ওথোরিটি অসিনা শেম্বা ইন্টর ষ্টেট বোর্দর মীপুম খুদিংমক্না ইকায় খুম্নগদবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ফুলদাংসৈগী প্রোব্লেমশিং ওফিসল ওইনা লৈখাই তানখ্রবনি। অদুনা কনামক্তনা কান্নদবদা মখা তানা প্রোব্লেম থোকহল্লোইদবনি।

বোর্দরগী ভিলেজ অদুবু ইনৌনৌনা য়েংশিন্নবা হৌদোক্লদুনা মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা থারকখিবা লেট্টর অমগী মতাংদা হংবদা দেবনা হায়খি, লেট্টর খুদিংমক পাউখুম পীবদা মতিক চাই হায়বা য়ারোই।

লমগী মতাংদা খৎন-চৈনদুনা লৈবগী মহুত্তা ঐখোয় পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা চাওখৎমিন্ননবা হোৎনগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর দেবনা নৌহৌনন্না অমুক ফোঙদোকখি।

ত্রিপুরা-মিজোরাম বোর্দরদা লৈরিবা ভিলেজ অমা ওইরিবা ফুলদাংসৈগী মতাংদা কনানা রাইট লৈগদগে হায়বদু লেপথোক্লবগীদমক্তা জোইন্ট ইন্সপেক্সন অমা পাঙথোকমিন্ননবা মিজোরাম গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হায়জরকখিবা মতুংদা ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর দেবনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি ৱাহন্থোক লৈ হায়না লৌবা য়াই।

ইন্দিয়া-চাইনানা এল এ সী পরিংদা পূক্লিং ফাথনবগী ৱাফম য়ানখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা লদাখকী লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোল (এল এ সী) পরিংদা য়ারিবমখৈ পূক্লিং ফাথনবগী ৱাফম য়ানখ্রে। চহী অসিগী জুন থাদগী লৈবাক অনীগী ক্রুপশিংনা মফম অদুদা মুক্লদুনা লাকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, ইষ্টর্ন লদাখ রিজন্দা লৈরিবা মুক্লবগী ফীভম অদু লৈখাই তাথোক্লবগীদমক্তা নাকল অনীনা কোর কম্মান্দরগী থাক্তা নিপানশুবা রাউন্দগী ৱারী শানখি। ৱারী শানবদু পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইখি। মীফম অদু নবেম্বর ৬তা এল এ সী পরিংদা লৈবা চুশুলদা পাঙথোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি মদুদি, নাকল অনীনা ইন্দিয়া-চাইনা বোর্দরগী নোংচুপ থংবা সেক্টরগী মনুং চনবা লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোলগী পরিংদা লৈরিবা ক্রুপশিং হন্দোক্লবগী মতাংদা লৌথুপ লৌকোই লৈনদনা, কুপ্না অমসুং পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা মওংদা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী অপাম্বা মোত কয়া ফোঙদোক্লখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না, নাকল অনীনা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা য়ানখিবা ৱাফমশিং থৱায় য়াওনা থবক্তা ওন্থোকপা, ফ্রন্টলাইন ক্রুপশিংবু পূক্লিং ফাথহনবা অমসুং ৱাখল তানদবা অমদি লৈরিবা ফীভমবু লান্না উদুনা থবক তৌবগী থৌওং চৎথদনবগী ৱাফমশিং য়ানরে।

নাকল অনীনা মিলিটরি অমসুং দিপ্লোমেটিক চেনেলশিংগী খুৎথাংদা মখা তানা ৱারী শানবা অমসুং পাউ ফাওনবা হায়না য়ানরে। বোর্দর এরিয়াশিংদা পুন্না মরা তপ্পা ফীভমদা লৈমিন্ননবা ৱারী শানবা খুমাঙ চাওশিনহনবগা লোয়ননা লৈখাই তানদ্রিবা অতৈ ইস্যুশিংসু খন্নবা হায়নসু ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা য়ানরে। নাকল অনীনা য়ানখিবগী মতুংইন্না অথুবা মতমগী মনুংদা মখা তাবা মীফম পাঙথোক্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তাখি।

সেন্টরগী মায়কৈদগী তঙাইফদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা সর্বানন্দা সোনোৱালনা তকশিনখ্রে

গুৱাহাটি, নবেম্বর ০৮ (এজেন্সী): অসাম অমসুং মিজোরামগী বোর্দরদা কন্না উংখৎনরক্লিঙৈদা বোর্দর এরিয়াশিং অদুদা মরা তপ্পা অমসুং চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্ননবগী ফীভম লৈহন্নবা সেন্টরগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপীরক্লবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা হায়জখ্রে।

অসাম অমসুং মিজোরামগী বোর্দরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালনা থাংজ নুমিৎতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহাগা ৱারী শানখি অমসুং মফম অদুদা মরা তপ্পা ফীভম হঞ্জিলহন্নবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎপীরক্লবা হায়খি।

ইরাই নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা মিজোরামরোমদগী লোগী মায়োক্তা লৈবা লমহেন তুহেনবশিংনা সাউথ অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী হৱাইথাংগা নক্লবা অপ্পর পাইনোম ভিলেজদা লৈবা স্কুল অমদা বোম অমা লংশিনখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা মীশি-মীনাদি থোকখিদে। বোর্দরগী ফীভম মেনেজ তৌবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্টরগী দিরেক্টিভশিং ইনগনি হায়না সোনোৱালনা শাহদা থাজবা পীখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DC/DISTRICT ELECTION OFFICER: THOUBAL

[illegible] / NOTICE

Thoubal, the 8th November, 2020

No. 2/DC(DEO)/TBL/ELEC/BYE-ELEC/2020: It is hereby notified for information to all concerned more particularly to all the Contesting Candidates/their Election and Counting Agents of 30-Lilong & 34-Wangjing Tentha Assembly Constituencies of Thoubal District that the Strong Rooms located at Ground Floor, Mini Secretariat, DC Office Complex, Thoubal where the Polled EVMs/WPATs of 2 (two) Bye-Elections ACs of Thoubal are stored will be opened at 7.30 A.M. for the purpose of Counting of Votes scheduled to be held on **10th November, 2020 (Tuesday) from 8.00 A.M.**

2. In view of the above, all concerned Contesting Candidates/ their Agents are hereby requested to depute authorized representatives or their Counting Agents to witness the opening of Strong Rooms.

Sd/- N. Bandana Devi, IAS
DC/District Election Officer, Thoubal

HL-B/6517/9

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR

[illegible] / NOTICE OF OBJECTION

Imphal, the 6th November, 2020

No. P/M/SR/2018 : It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Manipur Society for Transfusion Medicine"** on 15th December, 2018 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7 (1) (2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
Asst. Registrar of Societies,
Manipur

HL-P/8007/8,9,10

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHELPAT

NOTIFICATION

Imphal, the 6th November, 2020

No. AYUSH/COUNSELING-NOMI/2020: Applications are hereby invited from the intending and eligible qualified Candidates from the National Eligibility Entrance Test (NEET - UG), 2020 for selection of Candidates for nomination to the different AYUSH Courses (BAMS , BHMS & BUMS) on merit basis as Government Nominee on 200 points roster basis for the Academic Session 2020-21. Counseling form can be obtained from the Directorate of AYUSH, Lamphelpat during Office hour on payment of Rs. 500 (Gen & OBC) and Rs. 300 (SC/ST) by cash. The schedule for conduct of the Counseling are as below:

Issue /Sale of Counseling Forms	9/11/2020 to 13/11/2020
Submission of the Counseling Forms	12/11/2020 to 20/11/2020
Issue of Admit Cards	23/11/2020 to 25/11/2020
Date of Counseling	30/11/2020
Issue of the Nomination Papers	2/12/2020 to 4/12/2020

2. The number of the Candidate(s) to be nominated are subject to the availability of the seats.
3. Those candidates who have not applied for the first counseling will not be considered for the next counseling.
4. This issues with the approval of competent authority.

Sd/- **Dr. Y. Lukhoi Singh**
Director (AYUSH)
Government of Manipur

HL-B/6515/7,8,9